যাংবী খুনৌ যুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংনা হায়রকপদগী চহী ৩ হেন্না হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরক্লবী ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা যাংবীদগী জহান বিবিদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হুইল চেয়র তেংবাঙখিবা

নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী শৰুক্তা তৌসেম পুলিস ষ্টেসনদা কোনবা নুঙ দলাল ময়াদা চীংদগী নুঙজাও নীংখায়রক্লুনা সিমেন্ট পুদুনা লাকপা ট্রক অমা অকায় অতোয় থোকখিবা

এম পি সী সীগী কো-ওপটেদ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ সলাম জয়না ইদ-উল-অধাগী য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ৱাঙ্গৈই এ সীদা লৈবা মৈতে পাঙলশিংগী য়ুমথোঙ ১৪৯২দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

থোংজু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা উচেক্কোন লাই মুরিবা অমসুং পেবিয়া পন্দিত লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদা শৰুক য়াখিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা চান-থক্লবা য়েন্থোকখিবা

খোঙজং মতম খরা হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংননবা লৈঙাক্না নুমীৎ ১০নি কর্ফিয়ু থল্লিবা অসিগী য়েংলগা ট্রেন নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (টি এন এ আই) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা জুলাই ২১দগী ২৮ ফাওবা ব্লেক বেজ থেৎতুনা অমদি জুলাই ২৯দগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না তৌরম্বা অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে। করিগুম্বা টি এন এ আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি পীবীদ্রবদি খোঙজংশিং অসি মখা তানা চঙশিনগনি হায়ননা টি এন এ আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি টি ঐচ বিনোদিনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হার য়েনগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা য়ুরিয়া হার য়েনবগী মতম নৌনা অমুক লেপ্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর থৌবাল অমসুং ককচিং এন জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না লাক্লিবা জুলাই ২৩দা শুগনু এ সী, জুলাই ২৪দা হিয়াংলম এ সী, জুলাই ২৬তা ৱাবগাই এ সী অমসুং জুলাই ২৭তা ককচিং এ সীগী য়েনগনি হায়রি।

নৌনা থৌ পুরগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)বু মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবা অমদি লৈবাক্কী থবক থৌগাই কয়াদা মাঙজিল থাবা ঙম্লবগী পান্দমদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবা এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী কুমজা ২০২১ দগী ২০২৩ ফাওবা নৌনা থৌ পুরগদবা মীওই ২০না শাবা এগজিক্যুটিভ ঙৰাং খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মালেমঙানবা সোইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চ অসি এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি রিফোর্ম তৌখিবনি। এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা সুশিলকুমার ৱাংখেম, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা সোবিলা লিকমাবম, এল পারিসনা, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা খুমন্থেম শিন্দমঙানবা অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা রিশিকান্ত শর্মানি।

হুইল চেয়র তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): চহী ৩ লোম হেন্না হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরক্লবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা য়াংবীদা লৈবা জহান বিবি মপুরোইবা ইস্লামুদ্দিনদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-উল-অধা য়াওবা নংননবা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হুইল চেয়র অমদি শেলগী মতেং পীখ্রে।

য়াংবী খুনৌ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংনা এম এল এদা হায়রকপদগী হুইল চেয়র অসি জহান বিবিগী য়ুমদা চৎতুনা খুৎশিন্নখিবনি। এম এল এনা তেংবাঙলকখিবা অসিগীদমক য়াংবী খুনৌ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিংনসু অপেনবা ফোঙদোকখি হায়রি।

খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা মণিপুর এসেমব্লী ইলেক্সনদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লৌরেম্বম সঞ্জয়না অন্দ্রো এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংগী য়ুমথোঙ ৪২২০দা ইদ-উল-অধাগা মরী লৈননা ঙমজবা খুদোল তমখ্রে। মসিগা মরী লৈননা লৌরেম্বম সঞ্জয়না ইদকী য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা এ সী অমা ওইরসনু হায়নসু থৌনিজখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এসোসিএসন অন্দ্রো কেন্দ্র (য়ু পি এ এ কে)গী সেক্রেটরি এম দি অহাসন অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু কর্ফিয়ু থুগায়বা কয়া য়াওরি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা জুলাই ১৮দগী হৌদুনা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা টোটেল কর্ফিয়ু থমদুনা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কর্ফিয়ু থুগায়বা কয়া য়াওরি।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কর্ফিয়ু থুগায়বা অমদি লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওই ৮৮ দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনখি। কর্ফিয়ু তৌদুনা দিটেন তৌখিবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১২, ইম্ফাল ইষ্টতা ১, থৌবালদা ২৯, ককচিংদা ৪, বিষ্ণুপুর ৩৫, চুড়াচান্দপুরদা ১, কাংপোকপীদা ৫ অমসুং জিরিবামদা ১নি। মীওইশিং অসি মতুংদা কর্ফিয়ু থুগায়দনবা ৱার্নিং পীবগা লোয়ননা ফাইন থিহল্লবা তুংদা থাদোকখি। ঙসিগী ওইনা পুলিস দিপার্টমেন্টনা লুপা ৩৩,০৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিসু ওইরিবা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেন ডা. রাজেশ কুমারনা ঙৰাং থোকখিবা ওর্দর অমনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা খরা কোমথোকখ্রে। অথিংবা খরা কোমথোকখিবা অসিদগী টোটেল কর্ফিয়ুগী ঙসি হুম্নী চনবা নুমীৎতা লম্বীদা গাড়ীশিং হান্নদগী খরা হেন্না চৎপা উখি। পুলিসশিংনা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং চেক তৌবগা লোয়ননা গাড়ীশিং অদুদা লাক্লিবা মীওইশিং অদু কর্ফিয়ুগী অথিংবদা য়াওদবশিংলা নত্তবরা হায়বদু নীংথিনা মোনিটর তৌখি।

মরুওইবা লম্বীশিংদা কর্ফিয়ু থুগায়বশিং থোরকপরা হায়না পুলিসনা অকনবা মওংদা য়েংশিল্লবসু ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লৈরক-খুল্লক্তদি গাড়ীমচা থৌদুনা চৎপা অমদি দুকান ফাওবা তুমীন্না হাংবা য়াওনরি। অদুমকপু ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদা মনা-মশিং য়োনবশিংদি উখিদ্রে। লৈরক-খুল্লকশিংদসু পুলিসনা কর্ফিয়ু থুগায়বশিং লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনহন্নিংই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

লূপ কয়ানা ইদ-উল-অধাগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্হৈ অমা ওইরিবা ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেম্বা লমাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জুলাই ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা ইদ-উল-জুহা থৌরমনা লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা মরুওইনা মৈতে পাঙল ইচিল-ইনাওশিংনা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মায়কৈদগী হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি।

কথোকপা অমসুং মীনুংশিনা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকপু নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা তংদু-লৈতাবা, ঈং-তপ্পা, খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লদুনা হেন্না নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু অমদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা খুদিংমক পুন্না থেংনবদা অঙম্বা পাঙ্গল পীবীবা ওইরসনু হায়না অল্লাহ মপুদা য়ু সী এমনা থৌনিজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখেময়ুম রিমাকননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী অচৌবা কুম্হৈ অমা ওইরিবা ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং মরুওইনা মৈতে পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা এমসুনা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্হৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশিনবা, তংদু-লৈতাবা, ঈং-তপ্পা, কাঙলুপ খুদিংমক চান্ন-চিন্ননা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা হিংমিন্নবা খুন্নাই অমা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু। মীওইবা খুন্নাইদা মাগী মাগী লাইনিং-লীচৎ অমদি কুম্হৈ-হরাও খেন্নজরবসু পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাওখৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন কুম্হৈ অসিনা পীবা ওইরসনু। কুম্হৈ অসিনা লাকপগা ঈরোয়ননা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগী অকনবা শাফুনা চৈথেং ফংলবা মালেমগী মীয়াম খুদিংমক্না লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা হেন্না থৌনা লিংজেল লৈনা থেংনবা ঙম্নবা মপুগী মফমদা নীজরি। মপুনসু পীনবীবা ওইরসনু হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংগী শেংলবা কথোকপনা মপুং ওইবা কুম্হৈ ইদ-উল-অধানা লাকপদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং মরুওইনা মৈতে পাঙলশিংগী মফমদা কাদানা য়াইফ পাউজেল পীজরি। শেংলবা কুম্হৈ অসিনা লাকপদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা শোকহন্দবা, মশা-মউ ফবা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী চৈথেং লৈতবা, তীঙং-কায়জংদবা, নুংশি-চান্নবা, চাওখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু। লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎমিন্নদুনা লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীননবা অমত্তা ওইবা থৌদাংশিং লৌমিন্নরসি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কল্চর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাক্সু)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সুননদেব ৱাহেংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী মরুওইবা কথোকপগী কুম্হৈ ইদ-উল-অধানা লাকপদা মৈতে পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা অমাক্সুনা য়াইফ পাউজেল পীজরি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অচেৎপা নুংশিনবগী লীপুন অমা পুরকপা ওইরসনু। কোভিদ লান্থেংনরিঙৈ চৈরক্তা পাঙথোক্কদবা ওইবনা কুম্হৈ অসি পাঙথোকপা মতমদা চেকশিন্না পাঙথোকমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর রিক্সো ড্রাইভর্স এন্দ পুল্লরস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থোকচোম বসন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইদ-উল-অধাগী কুম্হৈনা লাকপদা ইস্লাম লাইনিং চৎপা ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ইরমদম অসিদা খুন্দারিবা কাঙলুপ খুদিংমক্না ইরমদম অসিগীদমক কথোকপগা লোয়ননা নুংশি-চান্নবা, কাঙলুপকী খেন্নবা লৈতবা, ঈং-তপ্পা লৈবা লমদম অমা ওইরসনু। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কাঙলুপ খুদিংমক শরুক য়াবা ঙমদবসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

লৌমীগী অৱাবা খঙনা হার মরাং কায়না ফংহল্লু : মণিপুর লৌমী লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): লৌমীগী অৱাবা খঙনা হার মরাং কায়না ফংহল্লু হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট অসিদা কুমগী নোংলিক্লা চুবদগী ঈকং থোকপগা মান্নরবা লৌফম কয়াগী লৌমীশিংনা অৱৈবা পান্থৈশিং শীজিন্নদুনা লৌ পান্ননবা হোৎনরিবসিগী অৱাবা খঙবীদুনা পুমহুন নৎত্রগা লিংবা লোইখ্রবা লৌমীশিংদা মথৌ তাবা তঙায়ফদবা হার (য়ুরিয়া) মরাং কায়না ফংহনবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনসু লৌমীশিংগীদমক হার মরাং কায়না পৈশিন্দুনা থল্লে হায়না থা ২গী মমাঙদা মীদিয়াগী খুত্থাংদা ফোঙদোকপীখ্রগা শীজিন্নগদবা মতম হেল্লক্লবা ফাওবদা লৌফম শেন্নজগদবা লৌমীশিংবু হার বেগ ৩/৪ রোমগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসশিংগী মমাঙদা অহিং য়ারেক্লুনা ক্যু শাংনা লেপ্পবসু হারগী ষ্টোক মরাং কায়দবদগী লৌমী কয়া নীংবা কায়না হন্নখিবা থেংনরিবসি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংবু মীরায়বীবনি হায়না মণিপুর লৌমী লূপনা লৌই। মসিদসু নত্তনা চহী খুদিংগী লৌউ পান্থা মতমদা হার মরাং কায়না ফংদবগী ৱাথোক অসি লৈরিবনি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী গোদাউনদা হার মরাং কায়না লৈরগা শীজিন্নগদবা লৌমীশিংদা মতম চানা ফংহন্ননবা হোৎনদনা নারোন্দা লল্লোল্লিবশিংনা ফংলিবা করিগীনো হায়বদু লৈঙাক্না থিগৎপীনবা মণিপুর লৌমী লূপনা দিমান্দ তৌরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আউটর মণিপুরগী এম পি ডা. লোরহো ফোজেদা কোরোনা ৱারিয়র এৱার্দ পীরক্লে

Paranubhuti Foundation and The Hindu Foundation
Spirit of Humanity
CORONA WARRIOR AWARD 2021
Chief Guest
Dr. Bhushan Jadhav
Executive Director
Paranubhuti Foundation

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মণিপুরগী আউটরগী লোক সভাগী এম পি ডা. লোরহো ফোজেনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা কোরোনা ৱারিয়র এৱার্দ ২০২১ পীরক্লে।

মুম্বাইদা বেজ তৌবা পরানুভূতি ফাউন্দেসন অমসুং হিন্দু ফাউন্দেসন্না পীবা এৱার্দ অসি মুম্বাইদা ঙৰাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এম পি ডা. লোরহো ফোজেদা খুৎশিন্নরকখিবনি।

থৌরম অসি লোইরবা তুংদা ডা. লোরহো ফোজে অমসুং অতোপ্পা এৱার্দীশিংসু মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোশ্যারিনা তরাম্না ওকখ্রে। তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা পরানুভূতি ফাউন্দেসনগী এগজিক্যুটিভ প্রসিদেন্ট ডা. ভুষন যাদব অমসুং দি হিন্দু ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট সন্দিপ গুপ্তসু শরুক য়াখি।

এৱার্দ অসি ফংখিবগা মরী লৈননা এম পি ডা. লোরহো ফোজেনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা মহাক্না পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংদা তেংবাঙ পীরকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোভিদ-১৯ থেংনবগী থবক অসি তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি মীয়ামগী মতেং য়াওদনা ওইথোকপা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, এম পি ডা. লোরহো ফোজেনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মথৌ তাবা পোৎলম কয়াসু তেংবাঙখিবা লৈখ্রবনি।

ৱাই এ দি এ ক্ষেত্রিগাওদা লুপা লিশিং ৫০গী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরুফুক্না মুখৎনবা লৈঙাক্না চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱাই এ দি এ) ক্ষেত্রিগাওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙথাংশিং অসিবু লৈঙাক্না শকখঙবা ওইনা লুপা লিশিং ৫০গী মনা পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা শেনফম অদু লোকেল এম এল এগী খুত্থাংদা খুৎশিন্নরকখিবগা লোয়ননা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱাই এ দি এ), ক্ষেত্রিগাওগী জেনরেল সেক্রেটরি অরিবম অজিৎতা ঙসি খুৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী, কে ঐচ দাইনা অমসুং সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টসু শরুক য়াখি।

য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱাই এ দি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি অরিবম অজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা অচৌবা মতেং পাঙবীদুনা ৱাই এ দি এনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। মণিপুর পুলিস অমদি নার্কোটিক্সকী ওফিসলশিংগা পুন্দুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবশিং থিংননবা অমদি ফাননবা দ্রাইভ কয়া চত্থখ্রে। ৱাই এ দি এনা তৌজরিবা থবক অসিদা লৈঙাক্না অমদি এম এল এনা অচৌবা মতেং পাঙবীরকপনা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্বনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীওই ৭৪০ ফ্লাইট ৯দা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী নুপী-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৭৪০ রোম ঙসি ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফ্লাইটনা ৯না পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১০ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১১ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৭১৫২ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ২৮ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ৭২ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১১.২৫ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৭৬ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১১.৫৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৭৬৪৮ ফ্লাইট অসিনা দিব্রুগরদা পল্লম্বা মীওই ২৩ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০৫ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ৪০ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৭৩ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৫৮৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৪৭ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.৩৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৭০ রোম পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অমরোমদা, ফ্লাইট ৯ অদুনা হনখিবদা ইম্ফালগী পুন্না মীওই ৭৫৪ রোম দেল্লী, গুৱাহাতি অমদি কোলকাটানচিংবা পুদুনা চৎখি হায়রি।

মফম কয়াদা কোভিদকী মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লরি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমার অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মখাদা টাস্ক ফোর্স লমদিং খুমন্থেম লৈকায়গী নুপী অমদি নুপী ভলন্টিয়রশিংনা শীন্দুনা ঙসি লমদিং খুমন্থেম অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা মাস কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। ফর্ষ্ট দোজ অমদি সেকেন্দ দোজগী পুন্না মীওই ১১৭ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা থৌরম অদুদা এ সী অসিগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফম জেদ পি মেম্বর হিবজুর রহমননা ফাইনান্সিএল সপোর্ট য়াওনা মাস্ক, সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ অমদি ফেস সিল্ড কয়া মতেং পাঙবীরকপবু টাস্ক ফোর্স অসিগী মায়কৈদগী অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থোংজু এ সীগী ওইনসু ঙসি মফম অনীদা মীওই ৩৯৩ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। থোংজু এ সীগী মনুংদা লৈবা মীপুম খুদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নরগা চত্থরকপা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি উচেক্কোন লাই মুরিবা অমসুং পেবিয়া পন্দিত লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ ভেক্সিন কাপখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফমশিংদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হকথেংননা চৎতুনা মীয়াম্বু পূক্লিং থৌগৎপদা নত্তনা অচা-অথকশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা পান্দমদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা মাস ভেক্সিনেসনগী শরুক অমা ওইনা ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইগী মীৎয়েং মখাদা তোপ উপোকপী সোসল য়ুনিয়ননা ৱাঙ্গৈই সী ঐচ সীগী ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিংগা খুৎশম্নদুনা তোপ উপোকপী কম্যুনিটি হোলদা মীওই ৪০০ কোভিদ ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

অমরোমদা, অপূনবগী থৌনা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন, সঞ্জেনবমগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু সুমতি অমসুং প্রসিদেন্ট এম সোবিতানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অপূনবগী থৌনা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন (ভি এল এফ), সঞ্জেনবম লম্লাই ক্লষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট ৱান সী দি ব্লোক অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা নোংপোক সঞ্জেনবম খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা নোংপোক সঞ্জেনবমগী লৈকায় মরি হায়বদি সঞ্জেনবম খুনৌ, সঞ্জেনবম খুল্লেন, সঞ্জেনবম শঙশাবী অমদি সঞ্জেনবম কবোং পাৎতগী মীওই ৫০০ হেন্না ভেক্সিন কাপখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

য়াইফ থৌরাং নুপী লূপ, ৱাংখৈ হিজম লৈরক্কী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা য়াইফ থৌরাং নুপী লূপ, ৱাংখৈ হিজম লৈরক্কী মৈরা পায়বীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

য়ুনাইটেদ এন জি ওস মিসন মণিপুরগী মেম্বরশিং অমসুং ষ্টাফশিংনসু তম্মী-চীংমী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়রি।

থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপ (থানিল)গী প্রসিদেন্ট এল গ্যানেশ্বরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু থানিলনা শরুক য়াজরি। মহাক্না লৈখিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী অমদি মৈরা পায়বী খুন্নাইগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইমোম)নসু ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ইমা মোমোননা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

লৈহৌ খুন্নাই কনবা লূপতিন (এল কে কে এল)নসু ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মোমোননা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়রি।

কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সী সী এস কে)গী মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস লক্ষ্মিকান্ত মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমা মোমোননা লৈখিদবদা সী সী এস কে মণিপুরনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ঙসি সী সী এস কেগী কম্পোনেন্ট বোদিশিং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ওল কম্যুনিটি সোসল অপলিফ্টরস (য়ুনাক্সু), ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুর (ঐচ আর দি এম), কংলৈপাক ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ৱিমেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক, নিংঙোল য়াইফ লমজিং অপূনবা কংলৈপাক অমদি চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স এসোসিএসন (চিতুৱা)গী থৌমীশিংনা ওনলাইনদা মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবী ইমা মোমোনগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসননসু ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ইমা মোমোননা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিবা অসিমক লমদমসিগী ওইনা মেনখৎপা ঙমদনা অহাংবা অমদি অদুম্মক লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি সুমতি শৌগ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তরাহৈ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টি ৱাই দি ও)নসু তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা ইমা অসিগী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থৌনিখি হায়নসু টি ৱাই দি ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি বি এম রসিদ আলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোসল এক্টিভিষ্ট বি এম য়াইমা শাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইমা সোইবম ওংবী মোমোননা হিংলিঙৈদা লৈবাক মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা কথোকপীরম্বা মহাক্কী থৌনাবু শীংথাখি। লোয়ননা লমদমসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা অপূনবা নুংশি-চান্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা কথোক্লম্বী লমজিংবী অমনি হায়নসু শীংথাখি। ইমা মোমোননা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী অফবী মমা অমা মাঙজরবনি। কংলৈপাক্কী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমদি অসুম লৈহৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

ইমা মোমোন লৈখিদবসি মণিপুরগী মাঙজবনি : পান্দম

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা মোমোন লৈখিদবসি তম্মী-চীংমী অপূনবা ইমা লূপকীদা নত্তনা মণিপুরগী নুপী খুন্নাইগী অচৌবা মাঙজবনি হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী আই পি আর সেক্রেটরি রোম্নিকান্ত তখেলচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইমা সোইবম ওংবী মোমোন লৈমা মতম শাংনা ইরমদম অসিগী চনুরা ওইবী কয়াগী রাইট কন্নবা হোৎনবদা নত্তনা মচা ওইবা কয়াবু কন্দায়দা করি শোয়খিগদগে হায়দুনা নাওকোনবীরম্বা ইমানি। শাংলবা পুন্সি লম্বীদা মীয়ামগীদমক্তা কথোক্তুনা লাকখ্রবা তুম্বা চাবা মচেৎ অহিং মিংশেল খাংদুনা নুপী খুন্নাইগীদমক কথোক্লবা ইমানি। নুপী সমাজগী থৌমী অমা ওইনা ইমা চাওবী, ইমা মোমোন অমদি ইমা ইন্দুমনিগা লোয়ননা থৌদাং চাউনা লৌরকখিবী ইমানি। মমৈথংদা তম্মী-চীংমী অপূনবা ইমা লূপ লিংখৎতুনা অমুক্কা হেন্না চাউনা থৌদাং য়ারকখি। মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী খোঙজং কয়াদা, ইন্টিগ্রিটিগী ইস্যুদা, বামোন কম্পুগী থাংজম মনোরামা চনুবু অসাম রাইফলসনা শরাক তম্লবা মতুংদা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীরম্বগী মায়োক্তা, ষ্টেট অসিদগী অফস্পা ১৯৫৮ মরুফংনা মুখৎখিনবা কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১৫দা কংলা মমাঙদা চত্থখিবা ইমা ১২গী ফিথোংদবা প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবী থৌনা ফবী ইমানি। মতুং তারকপদা আই এল পিগী ঈহৌ, সী এ বি, সী এ এ মণিপুর য়াওনা নোর্থইষ্টতা চৎনবা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা থৌনা ফনা মায়োং য়াখিবী ইমানি।

ইমা মোমোননা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়গীতা নত্তনা মণিপুর খুন্নাইগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না পান্দমনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। ইমা মোমোন লৈখিদবগী মীফম অমা পান্দমগী ওফিসতা ফমদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। ইমাগী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং মপুদা থৌনিজখি।